

*“নামতা পানবা য়ুম্বাল, পুম্বা কপচেৎপীগী য়ুম্বাল অৱাংপগী অৱাংপা ঙাক্তনি।”*

*- সোনামনি (হাজারী)*

## লোইখ্রেদো মীখলগী কুম্মৈদি

**—অথোকপম তোম্বা**

লোইখ্রেদো মীখলগী কুম্মৈদি
১৭শুবা লোক সভাগী
চহী মঙাগী মীহুৎ খনবগী
মীয়ামগী অপান্বা মীওইদা
মশীং হেনবনা মায় পাকপা
আউটর অমদি ইন্নর
পার্লিয়ামেন্ট অনীগী মরায়বক
মশীং হেনবনা মায় পাকপা
ঙাইনরি খৌরাংনা মশীং থিবা
অনীগী মরাইবক খঙগদবা
লৈখ্রে ঈ ভি এম মেছিন্নুংদা
ইলেক্সন কম্মিসনগী মথৌদি নিংথিনা
শেল লৌবা য়েনবসু নিংথিনা
মশা-মশাগী মমলদি খঙদনা
ঙাইনরি খৌরাংনা মশীং থিবা
মীয়ামগী মীহুৎ ওইগদবা
শোয়রোই পানরি খুদিং
চহী মঙাগী ওইগদবা
মীয়ামগী ইহুল খঙবা মীওইদো
থৌদাং নিংথিনা পাংগদবা
ওইবিরমউ অফবা মীহুৎতো।

## কোকথোঙ

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হাপচিননীংদ্রে
ঐগী পাত্র অসিদা
অমুক হন্না,
অহেনবা খরা অমুক।
লৈজরল্লবা খরা অসিসু
মপূং ফাদ্রবা মহৈ মরোংনা
কংদুনা মাঙখিবগুম মাঙখিগদ্রা
খনবদা অৱাবা অমা ওইরে।
হাপচিননীংদ্রে,
ঐগী পাত্র অসিদা
অমুক হন্না
অনৌবা অহেনবা, খরা অমুক
মুৎখিগদ্রা খঞ্জে,
লৈজরম্বা খরদুসু।
অনৌবা অহেনবা
অদুনা লাল্লবদা
পাথোরকপা চফু চবনশিংনা
চফু মপান ইফা ফারি
মৈরিনা চাকথেক্তুনা।
হাপচিননীংদ্রে, অহেনবা অমা অমুক।

## শল্লাংলক্কী নাচোম

**—সনবম বীকেন্দ্র**

খঞ্জে ফজবা লৈরাংদো,
হেকচৈ মখুৎনা ফংনা, লৈনা চোইদনা ।
শল্লাংলক্তা থেৎচনিং,
শোঞ্জে পূক্লিংদা নাচোমবু য়েংলগা
মোমোন নোকচৈ পাখংনা।
লেন্নজৈ পাখঙ ওইবা কয়ানা
শল্লাংগী নাচোম পায়রগা
খুল্লং ঈশৈ শক্তুনা
চনুরা মাগী নীংথিজববু
হৈরোল লৈরোলদা শৈথাজরি।

## তুরেলনা তেংথারি

**—খাইদেম বোরসিংহ**

নঙনা নালহল্লবসু লূহল্লবসু
মিৎ-মায় তাবিরবসু
ঐগী নীংবা থুংবা নত্তে
ইনিংতৌনা চৎহল্লু
উচেক ৱায়াগুম
নঙনা চৎপগুম চৎনীংবদা।
পোনগী চেল্লাগুম
খোঙদা ঝিঞ্জর থাংলবীগুম
অহাওবা কয়া পীজরবগুম
অশিবগী কৈশুমশঙদা
হিংলগে, নঙনা পেনগদ্রা?
লন্বী থৎচিনবীরে কয়া
খূৎ-শাসু পুনশিনবীরে কয়া
হাই হুম্বা য়াদনবা কয়া
ভাবক্লুম কোয়শিনবীরি কয়া
মাঙ থাবা তান্নরক্লি কয়া
ঐনা চৎকদবা লম্বীদি
কদায়দা?

## ইমাদি ৱারেদা

**—ৱারেপম তোমচা**

ৱারেদা ঐদি ইচাশা
ৱারেদা ইমাদি ইচাশা
হায়বা ইন্দ্রবা মচাশিং
খৎনরে লাউনরে পুম্নমক
মুন্নরে হাৎনরে লোইনমক।
মতম কয়াগী মিরোলদা
ফজবা শক্তম্না লৈতেংলম্মী।
চরৈ চাম্মা চাম্মা থোল্লম্বী
মচু তরেৎনা লৈতেংলম্বী
শল্লাংনা লৈমায় শোল্লম্বী।
মহৈ চুল্লবা লৌবুকশিং
শংবান্নরবা, নিংথিরবা লম্পাকশিং
পুম্নমক লৈত্রে, লোইনমক মাঙখ্রে।
শেৎনরে, চানরে, মচেৎ-মচেৎ
ফজবা শক্তমসু মাঙখরে।
সমুদ্র ৱাংমা লাল্লম্বা
মিঙ্খৈসু মাঙশিল্লক্লে মথং-মথং

মিনোক কয়া চঙলক্লে
ইকায় ফিরুক খুল্লক্লে
ৱারেদা ইমাদি ইচাশা।

## ঙাইখিনি নঙবু

**—মলয়া মোইরাংথেম**

ইমায় চোল্লবা তুরেলনি
ঈচেল তপ্পবী বরাকনি
লাইজ মীৎস্না তরুবীনি।
খ্বাইরাকপা ইরেলগী ঈচেলনা
লৈমা ইরেলদা তীনদুনা
অমত্তা ওইনা চেন্থরকই
নোংচুপ মায়কৈ তন্নকই।
ঈপোম হৌরকই ঈপাক্লা
থেক্কা থেক নৌগা নৌ
জগোয় তাম্থা পীনা পীনা
নৌগী তাম্থা তুং ইন্না
থিরি নঙতবু ঐনা।
তোরৈ খুদিং ঈচেলদা
হিনাও কয়াগী হিরোইদা
ইখৌ লাংনা হংলুবা
নঙতবু কোয়না থিরুবা
থম্মোয় মৈশা লাংলকপা
ঈপোমনা খোম্থাং হৌরকপা
নিল্লখি তোর্ব্বান অনীদা।

## কোন্বীরৈ

**—এল বীরমনি মৈতৈ**

লম্ফেল নৱা কোন্বীরৈ
লৈরাং নঙবু লৈনুংশি,
মতমগী নোংলৈ নুংশিৎনা
হুমদুনা পুখ্রবগে কদাইদা?
মমিংতা মঙাইরে লম্ফেল পাৎ
মমিংতা মঙাইরে কোন্বীরৈ,
লৈশাৎ কুইবসু নচদে
শজিবু থাখক্তনি শাৎচবা।
য়ারল পাৎকী কোন্বীরৈ
নঙসু কদাইদা লোৎখ্রবগে?
নঙগী য়াৱাসু তাখিদ্রে
তাররোইদ্রা অমুক নপাউদো।
শজিবু য়ৌরক্লে শাৎলিব্রা
নহাকপু লমদম কৈদবু?
নঙদি খুন্নাইসিগী মশকনি
কাউনখ্রমানে নবুং, নৌপ্পাশিংনা।
ইপানাৎ, ইপুনাৎকী লৈরাংনি
শজিবুগী নোংমা পানবদা
কৎলি লাইনিংথৌগী খুয়াখাদা
নহাক্কী অশেংবা লৈশক্তো।
নঙবু কনানা নুংশিবিরিবগে?
নঙগী খোঙ্গুল লীবিরিবগে?
চিনখক্তা শোন্নবা নত্তনা
নঙসু মাঙখ্রনি খুন্নাইসিদগী
লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন
লোন্না চিক্লা শাৎলিবোই,
নঙদি অইংববু পান্বীনি
নঙদি থোৎ-নৌজবীনি।
নঙবু মালেমগী মফম
কৈদবু লৈশাৎ তম্বগে,
অখঙবশিং তন্বীয়ু মপাউদো
লৈরাং মাগী শাৎফমদো।

## বোমনা ওমচাক চাক্লি থম্মোয়নুংদা

**—ইবোসনা খুমন**

বোমনা ওমচাক চাক্লি থম্মোয়নুংদা
শিন্থরি পিরাংনা মৈনানা।
মনাকোং মেল্লি মালেম পৃথিনা
হিরি কোন্দুনা ৱাখল তৌনা।
ৱাংল-ৱাংলবা ফুরা দলান কয়ানা
মপাঙ্গল লোৎশিল্লগা
মতিং ফুদোক্তুনা
লেপ্লি অয়ুম্বা অমগুম।
পিল্লবা ঈচেল মচাশিংনা
খুনিং খুমাঙ হোক্তুনা
লৈকুৎ-লৈরায় থিনগায়দুনা
থিরি ফংলরোইদবা কনানো অমা।
মতৌ য়েংবা ঙমদ্রদুনা
ও-খোংনা কপ্লক্লে নোংমদোল অতিয়ানা
শিন্থরকপা পিরাংনা
অঙম তানরি লৈরাইগা
লাকঙম ফাঙমদ্রবা ঈচেলনা
ঈপাক ওন্থোক্লে উমং ৱামং পূম্বা
ইরাক্নরে, মালেম পৃথিনা।
ৱারৌরক্লে, নুমিৎ কৌবা লাইনা
হৈথরক্লে মৈশা ঈপাক থক্তা
কোঙ্গোলগুম তাক্লে ঈচেলনা
পিল্লবা ককচেং শঙ্গুনা
মোলোম তৈরি, শায়োন চিংখৎনবা।

## নুংশিবগী

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ঐবু নুংশিদবশিংগী মরমদা
ঐনা নুংশিদবগী ৱাখল খন্নবা
লৈতে মতম ঐহাক্কী।
ঐদি য়াম্না চিল্লি,
ঐনা খল্লি নুংশিবগী ৱাখল
ঐবু নুংশিবীবশিংগী।
নুংশিবা হায়বসিতননি পুনশিনগদবা
মীওইবা পূম্বা অমত্তা ওইনা
নুংশিবনা থন্না য়াওরবা থম্মোয়সিদা
লৈতে মফম ফত্তবা ৱাখলগী।
ঐদি নুংশি ঐগী য়েক্লবসু
মসিদনি ঐনা নুংঙাইজরিবা।

# ওহ...ওহ...ওহ...!

## (Oh...Oh...Oh...!)

**- ইদ্রুস**

সুকাবুমি হায়বা লমসি ঈংবগী মমিং লৈরিবনি। অদুবু রেল টিকেট লৌনবা হোৎনরিবা থোঙনাওদুগী মমাঙদা পরেং লেপ্নরিবা মীয়ামদুদি হুমাংনা শিনগদৌরে। মখোয়গী মনঙ্গল, মঙক, শেগ্রাক লোইনা মাগী মাগী ফুরিৎশিংদু ফাওনা হুমাংনা পূমচোৎ চোৎনরে। অদুগী মথক্তা লেপ্লিবা মীয়ামদুগী মখোঙ পরেং মনাক্তুদনা হয়িং মপৈনা য়োল্লি নালা পরেংদুদা, লোক্কী হিদাক মহী মচু মান্না চেল্লিবদুদা, মুশুক মুনা। কনানো অমসু লোক কন্না খূগৎলক্লি, অদুগা লোক্তু শিৎতোকখি।

লোক খূরিবা নুপাদু নহানি, ময়াঙ কংত্রিক কংলে, অকংবা উশা অমগুম। মহাকসু পরেং লেপ্নরিবা অদুগী ময়ায়ৱাইদা লেপ্লি। মাগী হেক মতুংদা লেপ্লিবা নুপাদুনা মঙোন্দা হংখি- “কৈদৌবগীনো নঙনা লোক খূরিদুবু? উফুল থাংবা মফমসু নত্তে।” মদুদা নহা অদুনা খুল্লকখি, “ঐদি খ্বাইদগী নানবা কা মনুংদসু অদুম খূই। ঐ পাটজেৎতগী হৌজিক্তা লাক্লিবনি, জাকার্টা চৎকে তৌবনি।”

মতুংগী নুপাদু রুমাল লৌথোক্তুনা মনাতোন মেনখ্রে অদুগা অমুক হায়রকই, “নঙ লোক্কী লায়না লৈরদি, লৈমায়দা নতিন অদু শিৎতোক্কনু, নঙসু খঙলিদুনি মসি লৌনগনবনি।”

হায়না হায়না নহা অদু অমুকসু খূরকই, হন্দক্তি শঙ্গোম্মুক ঙৌবা মাগী লোক মপং অদুদা ঈ য়াওরক্লে, জপানগী ফিরাল মচু হেক মান্না।

পরেং লেপ্নরিবা অদুগী খ্বাইগী মাঙ থারিবদু ইন্দোনেসিয়া মচানি, মফি নান্দে। মানা মাগী অমোৎপা মখূৎ অদু থোঙনাওদা থিংজিল্লগা হন্না হন্না লাউরি, “জাকার্টা ফাওবগী ফোর্থ ক্লাসকী টিকেট অমা।”

টিকেট য়োল্লিবা অদুনসু শাউরংননা মঙোন্দা য়েংলকই অদুগা হায়, “ঙাইহাক্তা ঙাইবা য়াদ্রবরা? ঙাইবা ঙমদ্রদি চৎখিবনা ফৈ।”

ইন্দোনেসিয়া মচাদুসু শাউগৎলকই, অদুগা খুমখি, “ঐনা লেপ্তুনা ঙাইরিবসি পূংখায় অমা হেল্লবনে। অদুগসু ঐবুদি থওইবিদ্রে, অদুগা মনুংদা নতুংদা লেপ্লিবদুগী হান্না পীদুনা লৈরে।” ইন্দোনেসিয়া মচাদুনা টিকেট য়োল্লিবদুগী তুংদা লেপ্লিবা ষ্টেসন্দুগী থবক তৌবা নুপাদুদা থিন্দুনা হায়রিবনি।

মদুদা টিকেট য়োনবদুসু হেন্না শাউগৎলক্লে অদুগা লাউরকই, “মদু নঙগী নথৌ নত্তে, ঐগী কুশিনি। নঙসু খরা থুনা পাল্লগনা তুংসিদা লেপ্লরোদনা। মখায় অমদি তিংবা তাবা।”

ইন্দোনেসিয়া মচাদু হন্দক্তি খুল্লক্ত্রে। য়ানিংদনা মঙক হাইরকই অদুবু মতোমতা ঙংই, “শাউরুবা য়াদ্রেদনা। মী খুদিংমক হৌজিক্তি অহেনবা শেল তান্নবা ঙাক্তনি। ঙংনা ঙংনা মাগী চেঙ বেগ পায়রিবদুদা য়েংথৈ অদুগা তপ্লা অমুক হায়রকই, “ঐগীসু খরা পীবিরো।”

তাঞ্জাদুদা চাইনীজ মচা অমনা পরেংদুগী মরক্তগী শৎ থোক্লক্লগা মরাইবক্তগী হুমাং তৈথোক তৈথোক্লা ইন্দোনেসিয়া মচাদুগী নাকলদা লেপ্লুরে, মানা হানগদবগী। মদুদা ইন্দোনেসিয়া মচাদুনা শাউরংননা অমুক লাউরকই, “হে মিষ্টর! নহাক্কী লেপফমদা অদুম লৈবীরুচো। অদুম্না মী খুদিংনা তৌনরক্লবদি ইন্নরক্লনি অদুগা টিকেট য়োনফম খঙলরোই।”

চাইনীজ মচাদুনা করেম্নরদুনা খুল্লকই, “ৱা য়াম্না ঙাঙলক্কনু। নহাক ঐসি কনানো খঙলব্রা? ঐ জাপানীজ ওথোরিটিদগী চে পায়রক্লিবা মীশকনি।” অদুগা টিকেট য়োল্লিবা অদুদা ওনশিন্দুনা অমুক হায়খি, “জাকার্টা ফাওবগী সেকেণ্ড ক্লাস অমা।”

টিকেট য়োনবদুসু শকফম হঞ্জিল্লি অদুগা খুল্লকখি, “সার! সেকেণ্ড ক্লাসতি জাপানীজ মচাখক্তগীনি।”

মদুদা চাইনিজ মচাদু নোকথোক্লকই, মখূৎনা লুপা মঙা চৎপী অমা পায়রদুনা অমুক হায়খি, “সে সিদা লৈরে ঐগী অয়া-চে। জাকার্টা ফাওবদু লুপা অনী-মখায়দগী হেল্লোই, অরেম্বদু...।”

টিকেট য়োনবদুসু থুনা পৈশাদু লৌশিনখি, চাইনা মচাদুগী খূত্তগী। অদুগা খোল ওল্লদুনা হায়রকই, “সিদা লৈজরে, সার! জাকার্টা ফাওবগী, সেকেণ্ড ক্লাস।”

রেল গাড়ীদু সুকাবুমী ষ্টেসন্দগী থৌদোরক্লে। চাইনা মচাদুদি সেকেণ্ড ক্লাসতা নুংঙাইনা ফল্লি, মোমোন নোক্তুনা, লক্করদুনা ফজবী লৈশাবী অমা। লৈশাবীদু য়ুরোপিয়ন মপানা এসিয়া নিংঙোল লৌরগা পোকপী মাল্লি।

অদুগা অহুমশুবা, মরিশুবা ক্লাসতা ফল্লিবশিংদুদি ঙানম নম্বগা মান্নরে। অমনা অমদা লাউনরি, ইনশিন্নবগী, চিল্লকপগী।

টিকেট য়েংবা লাক্লিবা অদুসু অহুমশুবা ক্লাসলোমদগী মরিশুবা ক্লাসলোমদা মীরক খায়দুনা লাক্লি। অদুগা থোঙজিন্দগী হৌরক্লে লাউবা, ‘টিকেট!’ মীপূম খুদিংদু টিকেটকী মহুত্তা পৈশা ওইনা লৌথোক্লুরকই। টিকেট য়েংবদুসু শাউজিন্নে, “কৈদৌনা রেলগাড়ী তোংনীংলিনো, টিকেট অমফাও লৈবা পামদ্রবদি? টিকেট য়াওদ্রবদি হোরেল প্লেটফোর্মদা অমুক চেক তৌরক্লদি কমদৌ তারে?”

মদুদা পুল্লপ ওইনা মীশিংদুনা খুমদোল্লকই, “হোরেলসু থোঙ পান্নবদুদা পৈশারা করিনো অমা পীরম্বা তারেদনা।”

টিকেট য়েংবদু মখা অমুক তারক্ত্রে। পীনরক্লিবা শেল খরা খরদু মানা তাপ তাপ লৌখি, অদুগা পুল্লপ মাগী ফুরিৎখাউদা নমশিনখি। অদুবু তপ্লা ৱা অমদি নোৎশিল্লম্মী, “মথঙদদি টিকেট লৈবা কাউরক্কনুকো। কাউরক্কদ্রা?”

রেলগাড়ীদু সুম লাকপনা খরা পিকপা ষ্টেসন অমদা খামখ্রে। খাম্বগা নহা খরা কাখৎলকই, ফুরিৎকা অমত্তা লীৎনদে। অদুবু মখোয়না উপলিবা টুপী অদুদগী খঙবা ঙম্লে, মখোয়দু পুলিসকী তেংবাঙবা ভলন্টিয়ারশিংনি। মখোয়না অমুক মী খুদিং চেক তৌররে। লোন্না চেঙ পুরম্বা ফারে। অদুগা প্লেটফোর্মদা থাংথখ্রে। অদুম্না লোন্না চেঙ পুরম্বা মীশিংদু মখোয়না ফূবফাও ফূরম্মী, নুপীফাওবা।

ফম্ফম ফাল মথক অমদা চেঙ খাউ অমা লৈরি। মদুদা ভলন্টিয়র অমনা হংঙি, “মসি কনাগীনো?” হংবগা খাউদু তাপ পায়খৎকে তৌই। তাঞ্জাদুদা পুলিস অওইবা অমা হেক চঙলকই অদুগা তেংবাংবা অদুদা হায়, “মদু ঐগীনি, ফাহৌরগেরা?” মদুদা তেংবাংবা ভলন্টিয়রদু সলাম কোৎখি, অদুগা ইকায়না খুমখি, “ঐ খঙজহৌদ্রে, সার! অতোপ্পগী ওইরবোই নীংজরুরে।”

তেংবাংলোয়শিংদু, কৈবোদানস কৌবশিংদু রেলগাড়ীদগী কূমথহৌরে। মখোয়না ফাহৌবা চেঙ খাউ ময়ামদু প্লেটফোর্ম অদুদা পৈদুনা লৈহৌরি। কৈবোদান অমনা মখোয় মশেল অমদা লোন্না হংখি, “মিষ্টর মুরাকৱাদু কদায়দা লৈবা উখি?”

কমরেদ অমদুনা মঙক হাইরকই, অদুগা উমশাইনরদুনা ৱা খরা মচিন্দগী থোক্লকই, “মহাক বোগোর ফাওবদং চৎলুগে হায়দুনা হৌজিক্তা চৎখ্রি। নুমিৎ য়ুংবা মতুংফাওদি মহাক হল্লক্তৌবা মাগে দ। অদুনা চেঙশিংসি মহাক লৈত্রিঙৈদা ঐখোয় মঙা য়েন্থোক্লরসি। অদুগা ঐখোয় থবক তৌরি উৎনবা খরদংদি সুম থমসি।” রেলগাড়ীদু চৎপা হৌরকপদুদা আরবমচা অমসু ফন চোংখৎলকই, হেক কাখৎলকপগা মীয়ামদু উবদা মতোমতা শোনখি, “মৎসা আল্লাহ! হা ঈশ্বর!”

আরব মচাদুগী তুংদনা নহা অমসু কাখৎলকই, ফুরিৎতি ইমোৎ মোৎলি, ওইথংবা মখোঙদি অহাপ্পনি উগী। মানা রেলগাড়ীদুদা কাখৎলকপদু শেক্কৌ শেক্কৌনি। মাগী ঙাইহাক্তং ফমথনবা মফম লৈত্রে মনুংদা। অদুনা মখূৎ অদুনা থোঙ ময়াগী কাফমদা খূৎ পায়ফম অমা লৈবদু পায়দুনা তোংবদা তারে।

অদুদা আরব মচাদুনা হংখি, “কদায় য়ৌবীগদবনো? অদুম্না য়ান্দুনা কয়াম শাংনা চৎপীবা ঙমদৌরিনো?”

মদুদা নহা অদুনসু নোল্লুক্না খুল্লকই, “জাকার্টা য়ৌগদবনি, সার! মফম অসিৱাইসিদা কনানসু ঐবু ভিক্ষা হাপ্পীদ্রে। মথঙগী ষ্টেসন্দা কনাগুম্বা কূমহৌবা য়াই। অদুদা ফম্নবা মনুং চঙনবা হোৎনবা হায়দুনি।”

রেলগাড়ীদু চেনবা হৌরক্লে অমুক । ঙসাইগী চেঙ মপু, পুলিস অদুনা মমিৎ অদু মরিশুবা ক্লাস অদুদা ফল্লিবা নুপী অমদা মুন্না চাদৌগুম য়েংলি। নুপীদু মনঙ্গলদু অঙাং অমা পোবগুম পোল্লি। অদুনা মানা দোন জুৱানগুম মৌ নহাদুদা চঙশিল্লি, “ঙাকপীগনি, অদোম্বু চহী কয়াম হায়খ্রবগে?”

মৌ নহাদু পাখৎলি, তনখুম খুল্লকই, “কুন্থ্রানিথোই শুরে, করিগী ওইরবনো?”

- “ওহ, কৈসু হায়দেদা। অৱাবনি, অদুক নহা ওইরিবী নঙনা ননম অদুক পোল্লিবা করিগীনো?”

হায়না হায়না পুলিস নুপাদুনা মখূৎনা নুপীদুগী মনঙ্গলদু নান্দুনা য়েংই। “কয়াদা ফজখ্রবা ননঙ্গলনো সে?” পুলিসতুনা খঙলদুনা অমুক মখা তারকই, “ও! মসি চেঙপোৎনিনে? নহা ওইরিবী নঙনা অসুক ফীভম কায়না চেঙ পুবা হৌনদেদা। অদুগী মহুৎ ঐগী চেঙ খাউসি কোল্লি, মসিদা ওইনা নঙগীসি হাপচিনবনা ফরোইদ্রা? হোরেল জাকার্টা য়ৌরগা নঙগী চাংদু খাইদোক্লুরগা লোইরে। নঙগী ৱাৎতনা ফংনিদা। কৈসু ৱারুনু, ঐগী পোৎ ময়োমদি কৈবোদান্নসু মমিৎনফাও য়েংলক্লরোই।”

পুলিসতু নোকই। মৌ নহা অদু ইকায় ইকায়না মাগী চেঙপোৎ অদু হৈনা য়োল্লম্বা মাগী ফিজোল মনুংদগী লৌথোক্লক্লে, অদুগা পুলিস অদুগী চেঙ খাউদুদা হৈজিলখ্রে।

বোগোর য়ৌরমদাইদু রেলগাড়ীদু য়াঙনা চেনখৎলক্লে। তাঞ্জাদুদা ঙসাই মখৈ থোঙ য়ান্দুনা তোংলম্বা ভিক্ষা নিবদু মখূৎতু নান্থোক্তুনা তাখ্রে। কনানো অমনা রেলগাড়ী খাম্নবা থৌরিদু চিংলম্মী, অদুনা রেলগাড়ীদু লেপখ্রে। মী খরা চেন্দুনা রেল লন্বীদুদা য়েংলুই, অদুবু মহাক্তুদি শিরল্লে। অদুনা মখোয়না অশিবা মশাদু অদুম থনল্লে। টিকেট য়েংবদুনা করিনো খরা ইশিল্লি। অদুগা রেলগাড়ীদু অমুক চেনবা হৌরে।

আরব মচা অদুমদি, থোক্লিবা পূম্বদু উবদা, মাগী ফুরিখাউদগী রুমাল অদু লৌথোক্লে, অদুগা মরাইবক্তা চেন্থরক্লিবা হুমাংদু তপ্লা তৈথোকচৈ, মচিন্দসু শোনবা তোক্তে, হন্না হন্না, “অস্তাগাফির আল্লাহ! অস্তাগাফির আল্লাহ! - আল্লাহনা ঐবু ঙাকপীসনু, আল্লাহনা ঐবু ঙাকপীসনু।”

ইন্দোনেসিয়া মচাদুদি, আরব মচাদুগী নাকলদা লেপ্লি অদুগা মানদি হায়, “ঐদি মানা অদুম্না শিজহৌবদু নুংঙাই, হয়েং জাকার্টা য়ৌরগা, জিলিৰুং তুরেল তোর্ব্বান্দা কংদনা শিরুদৌ শরুক।”

বোগোর লানবগা রেলগাড়ীদু ঙাইহাক লেপ্পী। জঙ্কসন মচা অমা ওইরমাল্লে। হেক খাম্বগা টিকেট য়েংবা নুপাদু শৎ কূমখি অদুগা মনাক নক্লা লৈবা য়ূম মচা অমদা চেনশিনখ্রে। য়ূমদুদসু মানা লাকপা ঙাইবা নুপা অমা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক য়ৌফাৎত্রিঙৈনা নুপাদুনা তনহং হংলকই, “কমদৌরকই, করিম! পুম্নমক মায় পাক্লিব্রা?”

করিমদুসু মঙক নোমই, “লাইবক ফৈ, য়োনবফাওদি য়োল্লল্লে সার! অদুবু লুপা চাম্মা য়াঙ্খৈ খক্তদা। ঐগী খরা খাইবিদৌরি নৎত্রা?”

- “অদুদি নঙগী নরালনি, করিম! ঐদি নঙোন্দা হায়খিদ্রা? ঐদি তরং তরং লুপা চাম্ম য়াঙ্খৈদি ঐঙোন্দা পীগদবনি হায়না। দজন অহুম্বু। কোহিনুরদু কৈথেলদা দজন অমদা লুপা ৬০দগী তাবৈ ৱা লৈতে। পে অদুবু লুপা ১০ পীরগে। অদুদৈ হেনবদি ঙমদ্রে।”

করিমসু লুপা ১০দু শৎ লৌই অদুগা হংঙি, “অদু জাকার্টাদা পুনবা পোৎতি অমতা লৈত্রবরা?

- “সালবর্সন খূৎকাপ খরদি লৈনি। মদুবু জাকার্টাদা শীৎকদ্রা?”

- “শীৎনি, হংবা য়াওই, সার! জাকার্টাগী নহারোল খরদি মদু শীজিন্নবা য়াওরে। অদু মমলদি য়ামহনবীরনু।”

করিমদু থুনা হল্লক্লে, সালবর্সন লীক্লি মচা খরা য়োল্লদুনা। রেলগাড়ীদু অমুক চেনবা হৌরে।

পঙকুই কুইদ্রে। জাকার্টাগী গম্বীর ষ্টেসন চঙশিল্লে। মীয়ামদু অমুক ইন্নবা হৌরে হান্না থোক্কদবগী।

ষ্টেসনগী শঙজাউ অদুগী হেক থোকখিফম থোঙজিন্দুদা মৌ নহাদু শুৎ-শুৎ কপ্তুনা লৈরল্লে। কনানো অমনা কৈদৌরে হংলুবনি, মদুদা মানা খুমদোরক্লে, “ঐগী চেঙ মাঙখ্রে। পুলিস নুপা অদুনা ঐগী চেঙ লোইনা পুরগা মাঙখ্রে।”

ময়াম চঙদুনা নাক-য়েৎ চেন্দুনা পুলিস নুপাদু থিবিরে। চেঙ খাউ পুবা মী খুদিংসু হংবিরে। অদুবু পুলিস নুপাদুদি উবা কৌবা মরৈত্রে। মৌ নহা অদুদি কপ্পদু তোকপা মরৈত্রে। কপমন্দুনা মপিসু কংলে, মাগী হাঙলবা শেনগাও অদুগা চপ মান্নখ্রে।◀◀

*ইংরাজিদা : ইদ্রুস*

*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*

*(ইন্দোনেসিয়াগী ৱারী মচা)*

# তরামরিনি পানবৈ থাজ

তরামরিনি পানবৈ থাজ। হায়নৈ। কৈগী হায়নৈনোদি খঙদে। হায়দি হায়নৈ। কৈগীনো তাংদাংবা খঙদ্রসু পঙহায় হায়নবদি মান্দে। শীংথানৈ। ফজবৈরা? ফজবৈ শোন্নে; ফজবৈ শীংথানৈ। হায়নবসিনদি ফজবদনদি ওইরোই। কৈনোমা লৈরি ফজবৈ ইরোন্নুংদা। আহ! তরামরিনি পানবৈ থাজ ময়াম অমা পুন্সিগী লৈমাইদা শাৎলি। ফুগাইনা শাৎলি লৈমায়দা। লৈথক লৈখা নিন্না। মাইকৈ তরা খোম্থাং য়ৈনা। করিগুম্বদনা লৈমায়গী লৈরাংনা ওক্তবীগী মোমোন মীনোক্কা কেসে হায়দুনা লৈশাৎ তম্বা উবদা লৈথক্কী লৈরাংনা মায়হিং কাদবরা- কায়দো। লৈচিল ফিরুক খুমদবরা- খুমইদো। লৈপাকলৈগুম লৈখাদা লোত্তুনা খাঙদবরা- খাঙইদো। লৈশাৎ তম্বা ইকায়দবরা- ইকায়দো।

তরামরিনি পানবৈ থাজগী মঙালদা তিনগী য়ূম অমা উই। য়ূমলেংসিগী অরোয়বনি। হেক চীংখোঙদনি। মথোল অনী লোংবা উগী দলালনি। শুমাং, মাঙ্গোল মরাঙ কায়না লৈ। হৈকোল-লৈকোলনা মখে লাংই। থাবল, লৈনম্না হায়। তপ্লা থাংবা নুংশিৎকী খোঙথাংদা য়ূমদো ময়েক শেংনা তীংদা য়াংদা চুম্না মচা খায়না লেপ্লি। য়ূমদো পীক্লা ঈংনা লৈ।

মনুংদা য়ূমগী নুপীনা ময়েক শেংনা মচা খায়না হায়। ৱাহৈ অমনা অর্থ থোকই। য়ৌনা শাওরবনি অদুবু অশাওবৈ নুংশামপী পক্তে। শাওরসু কৈদাদু শাওদা মাল্লি।

‘ঐনা হংলিসি খুম্মু। নাথৈগনু। হোয় হায়গেরা মাই হায়গেরা। সিনা লোইরে। চুমদ্রিং খুম্মু।’ য়ূমগী নুপীননি।

‘ঙাইখোদা ইবেম্মা তপ্লা ঙাঙনসি। অঙাংনুবী মমাংসিদা’ নুপানা খুম্মী। ৱা ঙাঙবদা য়ুনম খরা নম্মী।

‘অঙাংনুবী হায়নু। নচানি ইচানি। মখোয়নিসে ঐখোয়নিগী ইচানি। ওক্তবা মপাই মচানি। মমা ঐগী ইচানি। ঐনা পোকপনি। মখোয়নিগী ৱা নত্তে ঙাঙনরিসি। ঐখোয়নিগীনি মতৈ মনাওগীনি। ঐখোয়নিগী তুংগী মরীগীনি।’

‘অদো ঐনা হায়দি অঙাংশিংগী ইচাশিংগী য়েংলগা অমুক্তা খন্থৌ হায়বনি। খন্থসি, খন্থমিন্নসি হায়বনি। তহা তহা নংহৌররোইদবা মতাগুম।’

‘নংহৌবা নংহৌদবৈ ৱা নত্তে। ইপুন্সিসে অনী শুদে। য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা হিংবা য়ারোই। হো হৌজিক্তা খনগদবা, খন্থগদবদি ঐ নত্তে। খন্থগদবদি অদোমনি। নতু লৈরে নচা লৈরে হায়সিদি নঙনা খন্থজগদবনি। নঙনা খন্থদনা কনানা খন্থগনি। ঐ পকশিল্লক্লিবা নচা পকশিল্লক্লিবা কৈগীনো? নঙনা হায়বৈ হায়বনি ইচা ইৱা লৈরে হায়সিদি অমুক খন্থরুগদবা নত্তে। হকচাংগী তুখোং খুদিংদা হক্তুনা লৈখ্রবনি। কৈগীনো নঙনা মতাংসিদা ঐ পকশিল্লক্লিবা? নচা পকশিল্লক্লিবা? ইশাই ইরালবু মরাল লৈতবা মীতোপ কোৎশিল্লগা থৈদোকপা য়াগদ্রা?

‘ঐ ইরাল লৈরে সিনিনে অদুদি ? নঙ ঐগী ৱাদি লোইনা তারব্রা? ঐ হায়বিগেকো। নামতৈ মৰা তারগা ৱা তূপকনু।’

‘ঐ নঙগী ৱা তানীংদে। ঐনা খঙদবা নঙগী ৱা করম্বা লৈরি। মতু লৈরবা মচা লৈরবা মৰা অমনা মপা অমনা অতোপ্পা নুপী অমগা অকামপেৎকী মরী লৈনৈ হায়সিবু ঐনা করিগী তানীংদোইনো? লৈনদ্রগনা লৈনদ্রে বস, লোইরে। লৈনরগদি কোক লোইশিনবা য়ারোই। নুপা নুপীগী মরীসি য়াম্না শাংই। হিংলিবসিদৈফাও হেন্না শাংব্রা খল্লম্বনি ঙসিদি তৎলে।’

‘চুম্না ওফিসতা থবক তৌমিন্নবা চা থকমিন্নবা মসিদৈ হেনবা নোংফাদোক মীৎকুপমা করিমা শোয়বৈ ৱানি। নক্লরগা লোন্দিন্নরগা হেক্তা ফিদিন্নবা য়াপোৎ নত্তে। তাঞ্জাই ৱানি। পুন্সিসিবু শম্না মফৈ অমতা শোয়বা য়াদবরা? মী হায়সিবু শোয়দবা ঙন্ত্রা ঐখোয় মীসিবু শা নৎত্রা? পুন্সিসি য়েংশিল্লুরবদি উশিল্লুরদি অহো-অরাক য়াম্না লৈবনিকো।’

‘শোয়রুবা অর্থ হন্দোক্তুনা কান্নরোই। মদুদি চেন্থোকপনি। শোয়রুরে হায়দি মরী লৈনরে হায়বা নৎত্রদো। শোয়রুরে হায়দি অতোপ্পা নুপী অমগা মরী লৈনরুরে হায়বা নৎত্রদো। নশানা হৌজিক্তা হায়জখ্রেদনা। নুপী লৈরবা নুপানা অতোপ্পা নুপীগা মরী লৈনবসি ঐদি অশোয়বনি হায়না লৌদে। ঙাকপীবা ঙমদে ইচাই য়েংলগা অহানবা নরালনি হায়রগা। নুপা নুপীগী মরীসি য়াম্না কূপ্পা, থোৎপা লংলা অমনা শম্নবনি। ফেৎ হাইদোকপদা পৎ তৎপা। থৌরবা হৈজ্রাং ময়াদা চৎপনি। শোয়রবদি, থাংনা শোক্কনি ঈ থোক্কনি। খ্বাইদগী লুরিবদি নঙনা ঐঙোন্দা মীনম্বসিনি। নরালনি য়াজবা ঙমদনা শিৎতোক নান্থোক্তুনা হোৎনবসিনি। নঙনা ওইনীংলগা ওইজৌ। ঐদি শা নত্তে। মীদি শা নত্তে। ইচা ইৱা লৈনা লৈনা ঐ অতোপ্পা নুপাগা মরী লৈনদে, মদু ঐগী ধর্ম নত্তে। হৈনবীসু নত্তে অদুনা ঐদি শোয়দে। নুপা নুপীগী মরীসি অকামপেৎ নত্তে। ফিনুংগী তাইবঙ ৱাংমদা অতোপ্পা তাইবং অমা লৈ।’

‘ঙাইহাক্তংদি ঙাইখো। নঙ ৱা য়াম্না শাংথরক্কদৌরি। হয়েং ফজনা ঙাঙনসি। ঐনা মরোল অমা ৱা ঙাঙবা তনবসিদা ঙসিসে। নঙনা মরোল অমা ৱা ঙাঙবদা লেংজাও থোক্লে।’

‘ঐনা অতোঙবদা লেপ্পা। অদুননি। থম্মোয় শেংলদি চিম্বালসু য়াংবনি। চেন্দুনা খাঙবনদি লৈখাই তারোই। হৌজিক হৌজিক অতাবী অমা খঙননি। সুমাইনা লৈমিন্নবদি ঐদি ঙল্লোই। শা ঙাদা থংজনবনা ওইরোই। শা ঙাদৈসু ফজ-ফজরবা খুঙ্গৎনিংঙাই ওইবা ময়াম অমা তাদুনা লৈরি। লিন অমোম অমুবী অমা খারৌ লম অমা মখায়মুক শাংবা অমনা পাদোংনসি হৌবদা সুংয়া য়াদবা টেলিভিজন্দা ঐ উখ্রে। মমৈদা খারৌ লাবা অদুনা মকোক্তগী তপ্লা তপ্লা পুময়োৎ য়োৎশিনখি। কয়াদা কনখ্রবা থম্মোয়গী লায়নানো ? য়েনবারাবনা মখোঙনা হোত্তুনা মচিন্না কুম-কুক হায়দুনা মতু মচা পিজনবা হান্না কৌশিল্লি। মশা হান্না চানবা হোৎনদে।’

হন্দক মপোক্কী মশানা তৌজরুবগী নত্তনা মৈশা নংলবা অঙাং অনীদুনা দোলানগী থোংনাওদৈ অহাংবা য়েংলি। নিম মচুই অতিয়াদা তরামরিনি পানবৈ থাজনা ইরং লংনা ঙান্থোইবসি ফজে। লেমনা ঈংবা অমা য়াওরি। নুপীগী অতাঙবা গুনগুম। ঈথক ঈপোম হৌদবা থম্মোয় লৈরোই। লৈরোই শুংলৈ লৈরোই। থম্মোয়সি কোক য়াওদে মহৈ হৈতে। চাওখৎতে। ঙসিদি লৈকুৎ লৈরাইদা লৈত্রে। ফি শেৎলে। থম্মোয় মফি কোমথোক্লিবসি ফি শেৎত্রিঙৈ ইপা ইপু নীংশিংলিব্রা? অমোৎ-অকায় থুনাম নাঙৈ চিংথোক চিংথোক্তুনা অসুম শান্নগদ্রা? নুংশিৎনা ফি চিংথোক্তুনা শান্নরক্লগা তাশিন খোমজিন্দনা য়া ইখি খিগত্তুনা সুম লৈগদ্রা?

তরামরিনি পানবৈ থাজসু মায়হীং কায়। থাদা মায়হীং কাবসিদি য়েংবদা ফজদে, মীদসু অদু মঙায়। খঙদে শম্বু মচা অমতংগা মফম চানা থুংবসিদি নিংঙোল ওইবীগী শক থৌগৎলিকা হায়নৈ। থাগী মায়হীংদি থাগী ফজবা চিংথবা মায়হীংনি। মায়হীং কারবা থানফাও মরক মরক্তা য়েংনীংদবনা মমীৎ নাদুনা লৈচিল মরূমদা লোত্তুনা খাঙই হায়নৈ। ৱাথী নুংথি তাদনবা মনাকোং মেল্লি। নমথী হাঙৈ মনম নমদনবা মনাতোন মেল্লি। অসুম্না হায়নৈ। চুমসু চুন্নিগনি।◀◀

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*